# সাইদা চহী অহুমলোম ত্রায়লদা লৈরম্লগা কুমজা ২০১৫দগীদি ঐহাক এম পি একাদেমিদা হোংলকখি : খরিবম বিচু



খরিবম বিচু
(জুনিয়র ইন্টরনেসনল হোকি প্লেয়র)



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**হোকিদা মীৎয়েং অমা**

(হান্নগী মখা...)

ৱারী মখা তারদুনা বিচুনা অসুম্নঠ হায়রকখি, কুমজা ২০১৫গী জুনিয়র নেসনল শান্নবা চৎপা মতমদুদসু ঐহাক য়াম্না ফজনা শান্নজখি। মদুগী চহীদু দানেপোলিয়নগা মেদাম ইবেতোম্বীগনা মণিপুর টিম পুরগা চৎখি। খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রোটফ ফিল্ডদা ঐহাকপু তাকপী-তম্বীরকখিবা মতমদা ওজা পূম্নমক্না তাকপী তম্বীরকখিবা মতমদা ওজা পূম্নমক্না তাকপীবসি ঐহাক থৱায় য়াম্না য়াওনা তাজৈ। ঐসু ফজনা শান্নরগে খঙবনিনা ওজা ময়াম্না খরা খরা তম্বীরকপদু হৈননবা কন্না হোৎনজৈ।

কুমজা ২০১৫গী জুনিয়র নেসনলগী শান্নবসিদা পটিয়ালাগা ঐখোয়গা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনখি। পটিয়ালা-গীসিদি খরা লীংবা টিমনি। মণিপুর টিমসিদি মখোয়না কয়া থওইদবা গোল মঙা/তরা চনবা ঙমগনি খঙ্গবা ওই। অদুবু ঐনা কন্না শান্নবদগী ফর্ষ্ট হাফতা গোল অমত্তা চলহনখিদে। মদুদগী হাফ টাইমদা মখোয়গী কোচনা খুবাক্কা থাবা, ফুবা-চৈবফাওবা তৌখি। থোইববুদি মখোয়না থোইখি। অদুবু গোল ময়াম চল্লগা থোইবদি ওইখিদে। অকনবা এটেক ময়াম অমা তৌরক্লগসু নুমিৎতুমদি ঐহাক্না ফজনা ঙাকখিবদগী মখোয়না খনবশিংদু ওইথোকহনখিদে।

ঐহাক্না অরৈবা পাঙ্গল ফুদোক্তুনা ঙাকখিবদু উবদা প্লে লোইবদা দা নেপোলিয়ন্নসু ঐবু য়াম্না থাগৎপীখি। নুমিদাং অমুক লাক্লগা বিচু নঙ মণিপুরদা লৈরবদি ফাওররোই এম পি একাদেমিদা চৎলো, নঙদি ইন্দিয়া শান্নগদবা প্লেয়রনি হায়দুনা কন্না হায়রকখি। নঙগী স্কিলসি অরেম্বদা মাঙহনবা পাম্মুই। ঐ গাইদ তৌগে, নহাক সুমনগা লোয়ননা এম পি একাদেমিদা ত্রায়ল পীহৌরো। অদুগা হল্লকউ হায়দুনা ঐখোয় মণিপুর টিমদগী ঐখোয় অহুম সরিতা (গান্ধি) নে, অনামিকানে, ঐনে থন্নম্লগা হনখ্রে। থৌদাম সুমনদি হান্ননা এম পি একাদেমিদা লৈরে।

টুর্নামেন্টতু মখোয় এম পি টিমসু পোবদগী সুমন্না মতেং পাংলগা ঐখোয় গ্বালিয়র তান্না চৎলে। ত্রায়ল পীরে। ত্রায়ল পীরম্লগা সুমনগা লোয়ননা মণিপুরদা থোকমিন্নরক্লে। হায়রিবা মতমদুদা ঐদি হিন্দি লোন করিমত্তা ঙাঙবা ঙমদ্রি। অদুনা হীরম খুদিংমক্তা সুমন্দা দিপেন্দ লোইনা তৌরি। মাসু মৈতৈ মচা মতোমতা লৈবা মতাং ওইদুনা ঐখোয় খরা ত্রায়ল পীবদু ফজনা মতেং পাংবীরকখি।

মতম ইকান কান্নদনা ঐখোয় অহুম্মক জোইন তৌরনবা চেলাকখি। অদুবু চৎলমদাই মতমদা ঐগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইতবা ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদবা থৌদোক খরদি লৈখি। গ্বালিয়র একাদেমিদা চঙজবা মতমদা ঐহাক ইশাগী ওইনা গোলকিপরগী কিটস অমফাওবা পুদুনা চৎখি। গোলকিপর অমা ওইনা চঙগদবা ঐনা কিটস অমফাওবা য়াওদনা করমহাইনা জোইন তৌরুদোইনো খনবদা ইকায়জবা অমসু পোকখি।

ঐনা হেক হেক উপ্তুনা শান্নজবা সাইগী কিটস অদুসু পুবা য়াদবদগী ঐহাক ইশা ঙাক্তঠ চৎচখি। এম পি একাদেমিদা সুমন্না ঐগী ইমুং-মনুংগী প্রোব্লেমশিংসু ফজনা হায়রগা খঙহনবীখি। অসুম্না ঐহাক কুমজা ২০১৫গী জুলাই থাগী তাং ৫দা জোইন তৌজখি। সুমননে, সরিতানে, ঐনে, অনামিকানে পুন্না ঐখোয় মরি এম পি একাদেমিদা লৈদুনা শান্নজরকখি। মরক্তুদা অনামিকাদি ছুটি থোকখিবদগী অদুম হল্লকখিদ্রে।

লাইরিক্কী মতাংসিমসু ঐগীদি ফরক তাবা খরা লৈকি। একাদেমিদা জোইন তৌবগা ক্লাস টেনগী এদমিসনসু তৌখি। হিন্দিনা মপূং ওইনা তমগদবা ওইবনা ঐহাক য়াম্না ৱাখি। শান্নবদসু হেক চঙবগা কন্না তকখায়রকপা মতাং ওইদুনা লাইরিক্কা শান্নবগা পাবদু ঐঙোন্দা ইঙাও ঙাওখি। অদুনা চহী অমা মাঙখি। হিন্দি লোন ফজনা খঙবা ঙমদবদগী লাইরিক তম্বা চৎলবসু লৌশিনবা কয়া ঙমখিদে। খিত্তং হোৎনগদবসু অয়ূক-নুংথিল তপতাবমখৈ শান্নরুরগা নুমিদাং ওইরকপদদি মীৎ পাংবফাওবা ঙমদে। লাইরিক পানীংবা, হোৎননীংবগী ৱাখলগা লোইনা মাঙখি। অদুদগী য়ূমদা ওইনা এদমিসন তৌরগা এগজাম থানবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী মতাংদদি ঐখোয় অহুম সুমননে, সরিতানে, ঐনে লৈবসিদা সুমন্না ইহান হান্না ইন্দিয়া কেম্পতা কৌরকখি। ইন্দিয়া কেম্পতা সুমন চৎখিবদগী ঐখোয়সু ইন্দিজয়া কেম্পতা য়াওনীংবগী ৱাখল অমা কন্না পোল্লকখি। অদুবু ঐদি ইন্দিয়া কেম্পতা কৌরক্কনি হায়বসিদি শুকথা থাজরকখিদে। অসুম্না মথংগী কেম্প কৌরকপদা সরিতা (গান্ধী) অমুক য়াওরকখি। ঐখোয় অহুম লৈমিন্নরম্বদা মখোয় অনী কেম্পতা চৎখ্রগা ইতোমতা লৈহৌবদু ঐঙোন্দা খিত্তং নুংঙাইতবা অমা ফাওরকখি। ইমান্নবী অতৈনসু নঙসু শোয়দনা কৌরক্কনিদা হায়না লক্কবফাওবা য়াওরকখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮১


১। মহাক কনাদাগী শান্নরোয়নি, ওলিম্পিক্কী দবল স্কলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্না ওলিম্পিক অনীদা থংন-থংননা ইরোইবগী থৌরম অমদা মকোক ওইবী নুপী অমগা লুহোংখি। মহাক কনানো?

২। নহাক হেপ্তাথলোনগী মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.১ দা চেনবা ঙম্লবদি নহাক পোইন্ট কয়া ফংগনি।

৩। ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী অথোই অহেন তান্নখিবগী কুমজা অমদা থোমাস মুল্লর, দেভিদ ভিল্লা, ৱেষ্টলে স্নেয়জদর অমসুং ফোরলাননা পাঙ্গল ৫/৫ চনখি। অদুবু থোমাস মুল্লরদা 'গোল্ডন বুট' করিগীদমক পীখ্রিবনো ?

৪। মহাক ইংলেন্দদা ডোক্তর ওই, ওলিম্পিক্তা মেদল অমা ফংখি। ন্যুজিলেন্দগী খ্বাইদগী ৱাংবা লৈঙাকপা ওইখি। মহাক কনানো/

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরন নীংবো চেলেঞ্জরস টেনিসকী সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে

নীংবো, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী) ঃ চাইনাগী সিটি নীংবোদা পাঙথোক্লিবা এ টি পি চেলেঞ্জরস টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরন ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে।



ঙসি গুনেশ্বরন্না মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় ৱাই এস চুংগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় গুনেশ্বরন্না সাউথ কোরিয়াগী চুংগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইব্রগা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা হেন্নগা ফজবা ঙমখিবদগী সাউথ কোরিয়াগী চুংবু ৬-১দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্নবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সীদেদ শান্নরোয় সর্বিয়াগী মিওমির কেটমানোভিচকা লম্বা তৌনরগনি।

# মুম্বাই সিটি এফ সীনা এফ সী পুনে সিটিবু পাঙ্গল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে



মুম্বাই, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী) ঃ হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ১২শুবা মেচতা য়ূম্বু ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফ সীনা এফ সী পুনে সিটিবু পাঙ্গল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অসিগী মাঙওইননা মুম্বাই সিটি এফ সী মেচ অনী শান্নখিবদা মেচ অমা মায়থীরগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমা ফংদুনা লৈখিবনি। অমরোমদা এফ সী পুনে সিটি মেচ অমখক শান্নবদা অমা দ্রো চৎলগা পোইন্ট অমা ফংখি।

টিম অনীমক ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংননবা হৌবদগী লম্বা তৌনরকখিবনি। শান্নবগী মিনট ২০ হেন্না চঙশিল্লকপা ফাওবদা পাঙ্গল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। ২৫শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীগী এম সোঙৌনা মেচকী অহানবা পাঙ্গল চন্দুনা এফ সী পুনে সিটিবু মাঙজিল থারগা লৈখি।

পুনে সিটিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুদা মশা ফিট ওইদ্রবা কুরুনিয়ানবু রোবিন সিংহনা মহুৎ শিল্লকখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা মুম্বাই সিটিনা পাঙ্গল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবা অদু এফ সী পুনে সিটিনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

হাফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা বোল অদু এফ সী পুনে সিটিগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। বোল অদু থিংনবা হোৎনবদা এফ সী পুনে সিটিগী দিফেন্দরশিংনা চৎন-কাঙলোন লান্না বোল অদু মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক মেচ অদুগী রেফ্রিনা পেনালটি অমা মুম্বাই সিটিদা পীখি। খুদোংচাবা অদু মুম্বাই সিটিগী শান্নরোয় রাফেল বাষ্টোসনা পাঙ্গল ওন্থোক্তুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা পুনে সিটি এফ সীবু ২-০দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং মখা তানা অহেনবা পাঙ্গল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মুম্বাইনা মেচ অদু থোইদুনা লীগ টেবলদা ৬শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি। হয়েং কেরলা ব্লাষ্টরস অমসুং দেল্লি দাইনামোস লম্বা তৌনরগনি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেচতা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওমানবু য়াম্না হেন্দুনা পাঙ্গল ১১-০দা মায়থীবা পীখ্রে

মুস্কাট , ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী)ঃ এসিয়াগী হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙরাং শান্নখিবা অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওমানবু য়াম্না হেন্দুনা পাঙ্গল ১১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা এদিসনগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়া অমসুং ওমানগা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা ক্বার্টর অদুদা ওমানগী শান্নরোয়শিংগী মথক্তা এটেক্ট কয়া চথুবা ঙম্লবসু পাঙ্গল অমত্তা চনবা ঙমদনা মিনট ১৫গী শান্নবা অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়না চথুখিবা এটেক্ট অমদা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ললিট উপাধ্যেনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি। পাঙ্গল অমা চনখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা হরমনপ্রিট সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু চল্লগা ওমানবু ২-০দা হেন্দুন লৈখি।



মালেমগী নুপাগী হোক্কি শান্নবা টিমশিংগী মনুংদা মঙাশুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ানা অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় নিলকান্ত শর্ম্মনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা ওমানবু পাঙ্গল ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মন্দিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগা হাপচিন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ওমানবু পাঙ্গল ৪-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

টুর্নমেন্ট অসি চহী অসিদা ওমানননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা অসি ৫রকশুবা এদিসননি। অহানবা এদিসন অদু চাইনানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌবা ঙম্লগা পাকিষ্টাননা রন্নর্স অপ তাখিবনি। মদুগা মতুং অনীশুবা এদিসন অদু কটারনা য়ূম্বু ওইরদা শান্নবগা পাকিষ্টাননা চেম্পিয়ন ওইরগা ইন্দিয়ানা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।

এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা এদিসন অদু পাকিষ্টাননা টাইটল লৌরগা জপানগী টিম্না অনীশুবা থাক্তা লৈখিবনি। অদুগা মলেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৪শুবা এদিসনদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি ওমানগী সিটি মুস্কাটতা লৈবা সুল্টান কাবুস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা অহৌবা নুমিৎকী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ইন্দিয়ানা ওমানবু পাঙ্গল ৪-০দা মাংজিল থারবা মতুং অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা মশান্না উৎলক্তুনা পাঙ্গল মরি-মরি চনবা ঙমখি।

মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গুরজান্ট সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা হান্না লৈরম্বা পাঙ্গলদগী অহেনবা অমা হাপচিনবা ঙমদুনা ৫শুবা পাঙ্গল চনখি । মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফংখিবা মেচ অদুগী অনীশুবা পেনাল্টি কোর্নর অদু দিলপ্রিট সিংহনা পাঙ্গল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াগী ৬শুবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি।

অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর অদুদা ওমানগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঙ্গলশিং অদু হন্দোক্কবা হোৎনবা অৱাবা ওইখি। মখোয়না ইন্দিয়াগী হাফতা বোল পূশিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অকাশদিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা গোল মশিং ৭ শুখি। থংনবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ভরুন কুমারনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাজল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী পাঙ্গল ৮ শুখি।

শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ভাইস কেপ্তেন ওইরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় চিংলেন্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দতা ইন্দিয়াগী অপূনবা পাঙ্গল অদু ৯ শুবা ঙমখি। মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা দিলপ্রিট সিংহনা মহাক্কী অনীশুবা পাঙ্গল অদু পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চনখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা দিলপ্রিটনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইখিবা পাঙ্গল অদু ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চন্দুনা ইন্দিয়ানা ওমানবু পাঙ্গল ১১-০দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা মলেসিয়ানা জপানগী টিম্বু পাঙ্গল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়াগী টিম্না টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা থা অসিগী ২০দা পাকিষ্টানগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্তনা চাইনাগী লিন দানবু দেনমার্ক ওপন্দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টিমমেট ভর্ম্মগা থেংনরগনি

ওদেন্স, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সী)ঃ মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দেনমার্ক ওপন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস লম্বাদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকন্তনা চাইনাগী লিন দানবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সমির ভর্ম্মগা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবা চাইনাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিন দানগা ইন্দিয়া কিদম্বী স্রিকান্তকা লম্বা তৌনরকখিবা মেচ অদু হৌহদগী হৌনা য়াম্না লেং মান্নখি। শান্নরোয় অনীগী লম্বা অদুদা অহানবা গেম অদু য়াম্ন নক্কবা মওংদা চাইনাগী লিন দাননা পোইন্ট ২১-১৮দা ইন্দিয়াগী স্রিকান্তপু মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্তনা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা লিন দানগী অশোনবা মায়কৈদা অহেনবা প্রেসর পীদুনা পোইন্ট হেন্না ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইদনা গেম অদু মহাক্না লিন দানবু ২১-১৭তা থোইদুনা গেম ১-১দা শান্নরোয় অনী মান্নদুনা লৈখি। মালেমগী ৬শুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্তনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা চাইনাগী লিন দানবু ২১-১৬তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



কিদম্বী স্রিকান্তনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সমির ভর্ম্মনি। সমির ভর্ম্মনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসকী নুপাগী বেদমিন্টনগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথম খৃষ্টিগা লম্বা তৌনবদা অকনবা লাম্থেং অমা মায়োক্নরগা মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম্মা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা অদুদা অহানবা গেম অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না অকনবা মওংদা লেং মান্ননা শান্নরকখি। লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা পোইন্ট ২৩-২১দা থোইদুনা অহানবা গেম অদু মহাক্না লৌখি। অনীশুবা গেম অদুনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী গেম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সমির ভর্ম্মনা পোইন্ট ৬ খক লৌদনা লৈরিঙৈদো মহাক্না পোইন্ট ২১ য়ৌখিদুনা শান্নরোয় অনীনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমগীদমক শেমশান্নখি।

অরোইবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম্মনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় জোনাথন খৃষ্টিগী সোট খুদিংমক লম্বা পীবা ঙমখি। শান্নরোয় অনীম্মক পোইন্ট মান্ননা শান্নরক্লবা মতুং গেম অদুগী লোইরমদাইদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ফজবা হেনখিবদগী পোইন্ট ২২-২০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্তকা সেমী ফাইনেল য়ৌননবগীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# পাকিষ্টান্না ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩৭৩দা থোইদুনা মেচ অনীগী টেষ্ট সেরিজ লৌখ্রে



অবু ধাবি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী) ঃ সাউদি অরাবিয়াগী কোনুং অবু ধাবিদা পাকিষ্টান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নবা টেষ্ট মেচ অনীগী সেরিজকী অনীশুবা মেচ অদু পাকিষ্টান্না রন ৩৭৩দা থোইদুনা সেরিজ অদু ১-০দা থোইখ্রে।

অহানবা টেষ্ট মেচ অদু দ্রো চৎখ্রবা মতুং অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদু থা অসিগী ১৬তগী শান্নবা হৌখিবনি। টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখিবা পাকিষ্টান্না অহানবা ইন্নিংসতা রন ২৮২ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা রন ১৪৫ লৌদুনা পাকিষ্টান্না রন ১৩৭ মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৪০০ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক রন ৫৩৮-গী টার্গেট থমখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬৪ খক লৌখিদুনা মেচ অদু পাকিষ্টান্না রন ৩৭৩দা থোইখিবনি। মেচ অদুদা পাকিষ্টানগী বোলর মোহম্মদ অবাসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱিকেট ১০ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ অমসুং মেন ওফ দি সেরিজ তাখি।